## কেগে পাম্বী থাবগী কাংলোন Castor, Ricinus communis

লম খনবা : ঙমলপ তাবা ঈশিং চিথফম লৈবা লৈহাও চেনবা লমদা পাম্বি থানবা খনগনি। ঈশিং তুংদুনা লৈবা লমদদি পাম্বি থাবিরোইদবনি।

পাম্বী থাবগী মতম : মার্র্চ - এপ্রিল অমদি সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরদা নোংজুথা হৌরকপা মতম অমদি নোংজু হেক লোইখিবা মতুংদা পাম্বি থাবা চানৈ।

লৈবাক লাইহাও : য়াইমরপ ওইনা অশিনবা অমদি কয়াকপা লৈহাও অনিমক্তা পাম্বি থাবা চুন্নে।

**পাম্বি থাফম শেম শাবা :**

- কেগে পাম্বি থাফম লৌবুক অদু 20 - 25 cm লুনা অনিরক নত্রগা অহুমরক কারল লাক্কুনা খোইদোকপিগনি। খোইদোকলবা পাম্বি থাফম অদু লৈতেম মান্ননা শেম্বিগনি মসিনা থারবা পাম্বিশিং অদু মরা ফজনা তাহনবদা নত্তনা কান্নদবা নাপি শিংনাশিং লৌথোকপদসু লাইহল্লি।
- 25 cm শাংবা 20 cm পাকপা 25 cm লুবা পাম্বি থানবা কোম (Pits) শিং অদু কোম অমগা অমগা মিটর অমমম লাপ্পনা তৌবিগদবনি।
- কোম খুদিংমক্তা ষণথি ষণয়ুংগী হার কেজি অমগী চাংদা হাপ্পিদুনা কোমদা হাপকদবা লৈবাক্কা ফজনা তোৎখাইবিগনি।

**থাগদবা কেগে মরু শেম শাবা :**

- মপুম ফারবা অচংবা মরুদমক হুন্ননবা খনবিগনি।
- হুনগদবা মরুশিং অদুগী কেজি অনিগী চাংদা Bavistin গ্রাম অনি য়াওরবা ঈশিংদা মরু হুন্দ্রিঙৈদা লুপ্পিরবদি কোকফাই শুজাগী লাইনাদগী ঙাকথোকপা ঙমই।
- কোম অমদা কেগে মরু অনিদমক 2.5 cm দগীনা 3 cm ফাওবা লুনা হুনবিগনি।
- মরু হুল্লবা মতুংদগী পারগা নুমিৎ ৭দগীনা ১০ ফাওবগী মনুংদা ময়োল চোংবা হৌই।
- কোম অমদ ময়োল চোংলক্লবা মতুংদা অফবা পাম্বি অমত্তমক হৌহনগদবনি।

**পাম্বিশিং মশা মউ ফনবা হোৎনবা পাম্বেশিং**

- ময়োল চোংলবা মতুং থা অমা লৈরগা NPK পরি অমদা 60:40:20 kg হৌগৎলক্লবা পাম্বিশিংগী মখোংদা কোইনা তৌরগা হাপ্পিগনি নত্রগা ষণথি ষণয়ুংগী হারগা য়ানশিন্নরগা কোম তৌরিঙৈ মতমদা হাপ্পিবসু থোইনা কাইদে।
- থা অহুম লৈরগা পরি অমদা Nitrolen কেজি ৩০গী চাংদা হাপ্পিরবদি পাম্বি চাওবা থুহল্লি অমদি মহয় থুনা চায়।
- চহি অমগী মনুংদা ৩লক নত্রগা ৪রক হন্না দরকারগী মতুংইন্না খোইদোকপা অমদি হাবেংবা তৌবিগনি।

**মনা হেকপা :**

- থাখ্রবা মতুং থা ৩ লৈরগা অহানবা ওইনা মনা হেকপা য়ারে।
- ২শুবা, ৩শুবা, ৪শুবা অমদি ৫শুবা মনা হেকপদি হেকখ্রবা মতুং থা ১ হেক ফাবগা চৎথবিবা য়ারে।

## **কেশেরু** Heteropanax fragrans

**চারা শেম্বা**

**পাম্বি থাগদবা  লম খনবা : ঈশিং চিথফম লৈবা য়াইমরপ ওইনা ঙন্বা লম খনবিগনি।**

**পাম্বি থাবগী মতম : ফেব্রুৱারি - মাচ**

**চারা থাফম ফৈদোম শেম্বা**

- ফৈদোম শেমগদবা জগা অদু অনিরক নত্রগা অহুমরক হন্না খোইদোকলগা লৈতেম মান্ননা শেম্বিগনি।
- অশাংবনা 6 m অদুগা অপাকপনা 2 m পাক চাওবা ফৈদোমশিং শেম্বিরগা ফৈদোমশিংদু লৈমায়দগী 15 cm ৱাংনা তাখৎপিগনি।
- ফৈদোম খুদিংদা 6 cuft কী চাংদা ষণথি ষণয়ুংগী হার হাপ্পিরগা য়ানশিন্দুনা তোৎখাইবিগনি অদুগা লৈতেম মান্ননা থম্বিগনি।
- শেম শারবা ফৈদোমশিং অদু হাপ্তা অনিরোম অদুমক থম্বিগনি।
- ০.১% Indofil M-45 অমদি Phorate BHC মহি পরি অমদা ঈশিং লিটর ২০দা য়াল্লগা মরু হুনগদবা নুমিৎ ২ ৱাৎলিঙৈদা মরু হুনফম লৈবাক্তা কাপথোকপিরবদি কোকফাই শুজা অমদি ফত্তবা তিলকাংদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

**থানবা মরু লোকপা**

- কেশেরুগী মহৈশি অদু মুনফাৎত্রিঙৈদা নাইলোন নেটকী মতেংনা ঙম্না য়োমশিন্দুনা থম্বিগনি।
- মুল্লবা মহৈশিং অদু ফেব্রুৱারি-মার্চ থাদা হেকপিগনি।
- হেকতোকলবা মহৈশিং অদু নোংমা নিনি উরুম লাংবা মফমদা থম্বিগনি।
- মতুংদা মহৈশিং অদু নোংমা ঈশিংদা তিংদুনা থম্বিগনি।
- মহৈশিং অদু বোরা অমা শিজিন্নদুনা শেংনা চামথোকপিগনি।
- মরুশিং অদু ঈশিংদা তিংলগা, অরুপ্পা মরুদম খল্লগা থানবা মরু হুনবদা শিজিন্নগনি।

**মরু হুনবা**

- মরু ৮০০গী চাংদা ফৈদোম অমদা চংহনদুনা মখুল অমদা মরু ২ তমক হাপ্পিগনি। অদুগা মখুল অমগা মখুল অমগা 15 cm লাপনা অমদি পরিং অমগা পরিং অমগা 20 cm লাপনা হুনবিগনি।
- ঈশিংগী মনিল ফাদুনা থম্নবগীদমক চরুনা পানা কুপতুনা থম্বিগনি।
- চাং নাইনা অয়ুক্তা ঈশিং চাইবীগনি অমসুং ইকংদনা নুংশা হাইথরকপা মতমদা চাইবীগনি।

- চারাগী ফৈদোমশিংদু অনেম্বা শগাই শাবিদুনা নুংশগী মৈশা অমদি লেনদগী ঙাকথোকপিগনি।
- মরু হুনবদগী পারগা নুমিৎ ১৮ - ২৫ ফাওবগী মনুংদা ময়োল চোংবা হৌদুনা চাদা ৯০%গী চাংদা ময়োল চোংগনি।
- চাদা ৯০% ময়োল চোংলবদি মনিল ফানবা কুপলম্বা চরুশিং অদু ফৈদোমশিংদগী লৌথোকপিগনি।

পাম্বিশিং মশা মউ ফনবা হোৎনগদবা পাম্বৈশিং

- চারাশিং অদুনা 20-25 cm ৱাংদ্রিঙৈ ফাওবা নুমিৎ ২০-৩০ ফাওবগী মনুংদা তত্তুনা হাবেংবা দরকার ওই।
- ০.০৫% Rogor অমদি ০.১% Indofil M-45 য়ানশিন্নদুনা নুমিৎ ২০-৩০ ফাওবা কান্ননা তোইনা কাথোকপিগনি। মসিনা মনাদা তাবা লাইনা অমদি তিলনাদগী লাইনা ঙাকথোকপা ঙমই।
- চারাশিং অদুনা 8 ft অমুক ৱাংহন্নবা মখুল অমদা পাম্বি অমদগী হেন্না হৌহল্লোইদবনি।
- চাদা ১০%গী পাঙ্গল লৈবা Urea মহি নুমিৎ ১৫/১৫ কান্ননা অহুমরক কাপথোকপিগনি।

## মপুং ওইবা লৌফমদা পাম্বি লিংথোক্কুনা থাবা

পাম্বি থাফম খনবা : অঙম্বা অমদি য়াইমরপ ঙম্বা ঈশিং তুংদবা লম খনবিগনি।
পাম্বি থাবগী মতম : ওগস্ট-সেপতেম্বর
পাম্বি থাফম শেমশাবা : পাম্বি থাফম অদু 20-25 cm লুনা খোইদোকপিগদবনি।

কাংখুল তৌবা অমদি পাম্বিগী অরাপ্পা

- 30x30x30 cm পাকপা শাংবা লুবা কাংখুলশিং 2 x 2 m লাপ্পনা তৌবিগনি (3x3 m লাপ্পনা তৌদুনা থাবনা হৌরক্কদবা পাম্বিশিংগী কারক্তা অতোপ্পা মহৈ মরোং থাবা য়াহল্লি)
- কাংখুল খুদিংদা ষণথি ষণয়ুংগী হার কেজি ৫ হাপলগা থাবদা শিজিন্নগদবা লৈবাক্কা ফজনা তোৎখাইবিগনি।

চারা লিংথোকপা অমদি পাম্বিশিং মশা মউ ফনবা হোৎনবা পামবৈশিং

- 25-35 cm মুক ৱাংলবা থা ৬ মুক ফারবা পাম্বিশিং অদু ফৈদোমদগী ফুক্লগা মপুং ওইবা লৌফমদা হোংদোকপা য়ারে।
- নোং চুবা নুমিৎ খল্লগা পাম্বি হোংদোকপা হেন্না চান্নে।
- দরকারগী মতুং ইন্না মখোংশোম্বা অমদি নাপি পেংবা তৌবিগদবনি।

মহৌশাগী অমদি খুৎশেমগী হার হাপ্পা

- কেজি ৫গী চাংদা ষণথি ষণয়ুংগী হার পাম্বি অমদা চহি খুদিংগী এপ্রিল থাদা হাপ্পিগনি। NPK 125:75:25 kg অনিরক থোক্লা এপ্রিল অমদি সেপ্টেম্বর থাদা পাম্বিগী মখোংদা কোইনা 15-20 cm লুনা তৌথোক্কুনা হাপ্পিগনি। অদুগা লৈবাক খোৎচিন্দুনা কুপশিনগনি।

**মশা হাইথহন্দুনা ককপা** (Pollarding)

- **চহি ৫ মপুং ফারবা কেশেরু পাম্বিশিং লৈমায়দগী** 1.75 m **ৰাংনা খাক্লগা ককপিগনি। ককপা মতমদা** 45$^{O}$ Angle **দা ককপা ফৈ।**
- **মতুং তারকপা মশা থাবদি চহি ৩-৪ কান্নরগা থাবা য়াই।**

**মরিকচুম্বা ৰাফম ফংফম** (Source)


- Ericulture a Comprehensive Profile 2013, Directorate of Sericulture, BTC, Kokrajhar - 783 370, Assam
- Package of Practices of Muga, Eri and Mulberry Sericulture for North Eastern Region of India 2005, Central Muga Eri Research & Training Institute, Lahdoigarh.
- Dr. M.C. Sarmeh, Shri B.N. Sarkar, Shri S.A. Ahmed, Dr. K. Neog, CMER & TI, Lahdoigarh.